

# সনালৈবাক স্পোর্টস





*ওষ্ট্রেলিয়ান ওপন গ্রান্দস্লাম টেন্নিস টুর্নামেন্টকী নুপীগী সিঙ্গলস ক্বার্টর ফাইনেলদা জেক রিপব্লিক্কী পেত্রা কিটোভাগা শান্নগদৌরিবী য়ুএসকী কোল্লিন্স*

*টেক্স ফ্রাউদকা মরী লৈননা মাদ্রিদকী কোর্টনা থা ২৩ জেলদা লৈবগা লোয়ননা য়ুরো মিলিয়ন ১৮.৮ ফাইন থিহনবদা মশানা য়াজখ্রবা ক্রিষ্টিয়ানো রোনাল্ডো*

## মমাঙগী চেম্পিয়ন ওষ্ট্রেলিয়ানা উজবেকিস্টানবু পেনাল্টি সুট আওটতা ৪–২ দা থোইরল্লগা ক্বার্টর ফাইনেল চঙখ্রে



*অল এইন, জনুৱারি ২২ঃ*

য়ুএইনা য়ুম্ন ওইরগা চখরিবা এএফসি এসিয়ান কপ ২০১৯ গী প্রি–ক্বার্টর ফাইনেল মেটচ অমদা টুর্নামেন্ট অসিগী মমাঙগী চেম্পিয়ন ওষ্ট্রেলিয়ানা উজবেকিস্টানবু পেনাল্টি সুট আওটতা ৪–২ দা থোইরল্লগা ক্বার্টর ফাইনেল য়ৌবা ঙমখ্রে। অতোপ্পা প্রি–ক্বার্টর ফাইনেল মেটচ অমদা টুর্নামেন্ট অসিগী য়ুম্ন লৈবাক য়ু এ ইনা কিরগিষ্টানবু ৩–২ দা মায়থিবা পীরল্লগা ক্বার্টর ফাইনেল চঙখ্রে।

ওষ্ট্রেলিয়া অমদি উজবেকিস্টানননা ঙরাং অথেংবদা য়ু এ ইগী সিটি অল এইনদা লৈবা খালিফা বিন জায়েদ ষ্টেদিয়মদা শান্নখিবা প্রি–ক্বার্টর ফাইনেল মেটচ অদু হেক হৌবদগী অকনবা লম্বা মায়োক্লন্দুনা লাকখি।

অহানবা হাল্ফকী শান্নরকপা অদুদা ওষ্ট্রেলিয়াগী শান্নরোইশিংনা এটেক হেন্না তৌদুনা শান্নখ্রবসু উজ বেকিস্টানগী দিফেন্দরশিংনা নীংথিনা মায়োক্লবা ঙমখিবদগী অহানবা হাল্ফ লোইশিনখ্রবা ফাওবা পাঞ্জল চন্নবা ঙমদনা লৈখি।

ওষ্ট্রেলিয়া অমদি উজবেকিস্টানননা শান্নখিবা মেটচ অদুগী অনীশুবা হাল্ফ শান্নরকপদসু পাঞ্জল অমত্তা চন্নদনা লৈখি। এক্সত্রা টাইমগী অপীবা মতম শান্নরকপদসু থোইনবা ঙম্নদবদগী পেনাল্টি সুট আওটতা মায় পাকপা টিম খনবগী মথৌ তাখি।

পেনাল্টি সুট আওট অদুদা মমাঙ সিজনগী চেম্পিয়ন ওষ্ট্রেলিয়ানা উজবেকিস্টানবু ৪–২ দা মায়থিবা পীরল্লগা ক্বার্টর ফাইনেল য়ৌবা ঙমদুনা য়ু এ ইগা লম্বা তৌনরগনি।

এ এফ সি এসিয়ান কপ অসিগী ঙরাং অথেংবদা য়ু এ ই গী কোনুং অবু দাবীদা শান্নখিবা প্রি–ক্বার্টর ফাইনেল মেটচ অমদা য়ুম্ন লৈবাক য়ু এ ইনা কিরগিজষ্টানবু পাঞ্জল ৩–২ দা মায়থিবা পীরল্লগা ক্বার্টর ফাইনেল চঙবা ঙমখি।

শান্নবগী ১৮শুবা মিনটতা য়ু এ ইগী শান্নরোইশিংনা চথরকখিবা এটেক অমদা খামিস ইসমেলনা মেটচকী অহানবা পাঞ্জল চন্দুনা মাঙজিল থাবা হৌখি।

মখা তানা শান্নরকপা মেটচকী ২৬শুবা মিনটতা কিরগিজষ্টানগী শান্নরোই মিরলান মুরজেভনা পাঞ্জল অমা চন্দুনা অহানবা হাল্ফ লোইশিনখিবদা পাঞ্জল ১–১ দা মান্নদুনা লৈখি।

অনীশুবা হাল্ফ শান্নরকপা মেটচকী ৬৪শুবা মিনটতা য়ু এ ইগী শান্নরোই আলি অহমেদ মাবখৌটনা পাঞ্জল অমা চন্দুনা অমুক হন্না মাঙজিল থাখি। মেটচকী অরোইবা মিনটতা কিরগিজষ্টানগী শান্নরোই টুরসুনেল রুস্টামোভনা পাঞ্জল অমা চন্দুনা ১–১ দা মান্নখি। এক্সত্রা টাইম শান্নরকপা মেটচকী ১০৩ দা য়ু এ ইনা ফংখিবা পেনাল্টি অমদা অহমেদ খালিলনা পাঞ্জল অমা চন্দুনা ৩–২ দা মায় পাক্তুনা য়ু এ ই ক্বার্টর ফাইনেল য়ৌখি।

টুর্নামেন্ট অসিগী ঙসি শান্নখিবা প্রি–ক্বার্টর ফাইনেল মেটচ অমদা সাউথ কোরিয়ানা বহারেনবু ২–১ দা থোইরল্লগা ক্বার্টর ফাইনেল য়ৌখি। শান্নবগী ৪৩শুবা মিনটতা সাউথ কোরিয়াগী হু চান হৱাংনা পাঞ্জল অমা চনখি। ৭৭শুবা মিনটতা বহারেনগী মোহমেদ মারজুকনা পাঞ্জল অমা চন্দুনা ১–১ দা মান্নখি। এক্সত্রা টাইম শান্নরকপা মেটচকী ১০৫ শুবা সাউথ কোরিয়াগী জিন সু কিমনা পাঞ্জল অমা চন্দুনা মেটচ অদু মায় পাকখি।

## স্পেনগী নদাল অমদি গ্রিসকী সিটসিপাস ওষ্ট্রেলিয়ান ওপনগী নুপাগী সিঙ্গলস সেমি ফাইনেলদা লম্বা তৌনরগনি



*নুপাগী সিঙ্গলসতা ক্বার্টর ফাইনেল য়ৌখ্রবা স্পেনগী রাফেল নদাল*

*মেলবর্ন, জনুৱারি ২২ঃ*

ওষ্ট্রেলিয়াগী সিটি মেলবর্নদা চথরিবা চহী অসিগী অহানবা গ্রান্দস্লাম টেন্নিস টুর্নামেন্ট ওইরিবা ওষ্ট্রেলিয়ান ওপনগী নুপাগী সিঙ্গলস সেমি ফাইনেল মেটচ অমদা স্পেনগী রাফেল নদাল অমদি গ্রিসকী সিটসিপাস লম্বা তৌনরগনি।

টুর্নামেন্ট অসিগী নুপাগী সিঙ্গলস কাঙলুপ্তা অনীশুবা সিদেদ শান্নরোই ওইরিবা স্পেনগী রাফেল নদালনা য়ুএসএগী ফ্রান্সেস টিয়াফোবু ষ্ট্রেট সেট ৬–৩, ৬–৪, ৬–২ দা মায়থিবা পীরল্লগা সেমি ফাইনেল য়ৌবা ঙমখি।

সেমি ফাইনেলদা স্পেনগী নদালগা লম্বা তৌনগদৌরিবা গ্রিসকী ষ্টেফানোস সিটসিপাসনা ১৪শুবা সিদেদ ওইনা ঙসি শান্নখিবা নুপাগী সিঙ্গলসকী অতোপ্পা ক্বার্টর ফাইনেল মেটচ অমদা ২২শুবা সিদেদ স্পেনগী রোবার্টো বোটিষ্টা আগুটপু ৭–৫, ৪–৬, ৬–৪, ৭–৬(৭–২) দা থোইরল্লগা সেমি ফাইনেল য়ৌরকখিবনি।

ওষ্ট্রেলিয়ান ওপন গ্রান্দস্লাম টেন্নিস টুর্নামেন্ট অসিগী নুপীগী সিঙ্গলসকী সেমি ফাইনেল মেটচ অমদা ৮শুবা সিদেদ শান্নরোই জেক রিপব্লিক্কী পেত্রা কিটোভা অমদি য়ুএসএগী দানিয়েলি কোল্লিন্স লম্বা তৌনরগনি।

জেক রিপব্লিক্কী পেত্রা কিটোভানা ঙসি শান্নখিবা ক্বার্টর ফাইনেল মেটচতা ১৪শুবা সিদেদ টুর্নামেন্ট অসিগী য়ুম্ন লৈবাক ওষ্ট্রেলিয়াগী শান্নরোই এসলি বার্টিবু য়াম্না লায়না ষ্ট্রেট সেটতা ৬–১, ৬–৪ দা থোইরম্বনি।

অদুগা য়ুএসএগী দানিয়েলি কোল্লিন্সনা ঙসি শান্নখিবা অতোপ্পা ক্বার্টর ফাইনেল মেটচ অমদা রুশিয়াগী অনাষ্টেসিয়া পাল্লিয়ুচেনকোভাবু ২–৬, ৭–৫, ৬–১ দা মায়থিবা পীরম্বনি।

ওষ্ট্রেলিয়ান ওপন টেন্নিস টুর্নামেন্ট অসিগী ঙসি শান্নখিবা মিক্স দবলসকী অনীশুবা রাউন্দগী মেটচতা ৫শুবা সিদেদ পেয়র জর্মনিগী অন্না লেনা গ্রোনেফেল্ড অমদি কলম্বীয়াগী রোবার্ট ফারাহনা ইন্দিয়াগী সমাস্থা ষ্টোসুর অমদি ইন্দিয়াগী লিয়েন্দর পেসপু ৪–৬, ৬–৪, ১০–৮ দা মায়থিবা পীরল্লগা অহুমশুবা রাউন্দ চঙখি।

নুপীগী দবলসকী ক্বার্টর ফাইনেল মেটচ অমদা ওষ্ট্রেলিয়াগী সমাস্থা ষ্টোসুর অমদি চাইনাগী ঝাং সুৱাইনা নম্বর ৱান সিদেদ পেয়র জেক রিপব্লিক্কী বার্বোরা ক্রেজসিকোভা অমদি কেটারিনা সিনিয়াকোভাবু ৭–৬(৭–২), ৭–৪) দা থোইরল্লগা সেমি ফাইনেল য়ৌখি।

টুর্নামেন্ট অসিগী নুপাগী দবলসকী ঙসি শান্নখিবা ক্বার্টর ফাইনেল মেটচতা আর্জেন্টিনাগী লিওনার্দো মেয়র অমদি পোর্টুগালগী জোৱা সৌজানা ৬শুবা সিদেদ সাউথ অফ্রিকাগী রাভেন ক্লাসেন অমদি ওষ্ট্রেলিয়াগী মাইকেল ভেনসপু ৬–৪, ৭–৬(৮–৬) তা মায়থিবা পীরল্লগা সেমি ফাইনেল য়ৌবা ঙমখি।

## মণিপুরগী শান্নরোই দাংমৈ গ্রেসকী পাঞ্জল অনীনা অহানবা ফ্রেন্দলি মেটচ ইন্দিয়ানা হোং কোংবু পাঞ্জল ৫–২ দা মায়থিবা পীখ্রে



*বেঙ্কোক, জনুৱারি ২২ঃ*

ইন্দিয়াগী নুপী ফুটবোল টিম্না হোং কোং অমদি ইন্দোনেসিয়াগা শান্নগদৌরিবা ফ্রেন্দলি মেটচ ৪ গী অহানবা শান্নখিবা মেটচতা মণিপুরগী শান্নরোই দাংমৈ গ্রেসকী পাঞ্জল অনীনা মপুং ওইরগা থাইলেন্দবু পাঞ্জল ৫–২ দা মায়থিবা পীখ্রে।

ইন্দিয়া অমসুং থাইলেন্দনা শান্নখিবা মেটচ অসিদা হৌবদগী হৌনা ইন্দিয়াগী শান্নরোইশিংনা এটেক হেন্না তৌদুনা শান্নরকখি। শান্নবগী ৬শুবা মিনটতা ইন্দিয়াগী শান্নরোইশিংনা চথরকখিবা এটেক অমদা দাংমৈ গ্রেসনা পাঞ্জল অমা চন্দুনা মাঙজিল থাবা হৌখি।

মখা তানা শান্নরকপা মেটচকী ১৭শুবা মিনটতা য়ুম্ন টিম ওইখিবা থাইলেন্দগী শান্নরোইশিংনা চথরকখিবা এটেক অমদা চিয়ুং ৱাই কিনা পাঞ্জল অমা চন্দুনা ১–১ দা মান্নহনবা ঙমখি।

শান্নবগী ২২শুবা মিনটতা ইন্দিয়াগী শান্নরোইশিংনা চথরকখিবা এটেক অমদা টিম অসিগী অহানবা পাঞ্জল চনখিবা দাংমৈ গ্রেসনা পাঞ্জল অমগা চনশিন্দুনা থাইলেন্দগী ২–১ দা হেন্দুনা লৈখি।

মতম খরা টিম অনীগী মায়কৈদগী অহেনবা পাঞ্জল লৈনরুদ্রবা মতুং অহানবা হাল্ফকী অরোইবা মিনটতা ইন্দিয়াগী অতোপ্পা শান্নরোই সঞ্জু যাদবনা পাঞ্জল অমগা চনশিন্দুনা ৩–১ দা হেল্লগা অহানবা হাল্ফ লোইশিনখি।

অনীশুবা হাল্ফ শান্নরকপদা টিম অনীমক অমনা অমগী মায়কৈদা বোল পুশিন্নদুনা এটেক কয়া চথনগ্রবসু অহেনবা পাঞ্জল চনশিনবা ঙমদনা লৈখি।

শান্নবগী ৭১শুবা মিনটতা থাইলেন্দগী শান্নরোইশিংনা চথরকখিবা এটেক অমদা চুং পুই কিনা পাঞ্জল অমা চন্দুনা টিম অনীমক ২–২ দা মান্নহনবা ঙমখি।

মখা তানা শান্নরকপা মেটচকী ৮২শুবা মিনটতা ইন্দিয়াগী শান্নরোই সুমিথ্রানা পাঞ্জল অমা চনবা ঙমদুনা অমুক হন্না ইন্দিয়ানা মাঙজিল থাবা ঙমখি। মিনট অমা লৈরগা ইন্দিয়াগী শান্নরোইশিংনা চথরকখিবা এটেক অমদা রতনবালানা দেবীনা পাঞ্জল অমগা হাপচিনবা ঙমদুনা থাইলেন্দবু পাঞ্জল ৫–২ দা মায়থিবা পীরমখি।

থাইলেন্দগা শান্নগদবা অনীশুবা ফ্রেন্দলি মেটচ হয়েং নুংথিল পুং ৬ গী হৌগনি।

## রিসব পন্টনা আই সি সি ইমরজিং ক্রিক্রেট্টর ওফ ২০১৮গী মনা ফংখ্রে

*দুবাই, জনুৱারি ২২ঃ*

ইন্দিয়ান ক্রিকেট টিমগী ৱিকেটকিপর বেটসমেন রিসব পন্টনা ইন্টরনেসনেল ক্রিকেট কাউন্সিল (আই সি সি) না চহীগী ওইনা পীবা ইমরজিং ক্রিকেট্টর ওফ ২০১৮ গী মনা ফংখ্রে।

মালেমগী ক্রিকেট শান্নরোইশিংগী মনুংদা নৌনা ফাওগৎলক্লিবা ইন্দিয়াগী ৱিকেটকিপর বেটসমেন রিসব পন্টনা হন্দক্তা ওষ্ট্রেলিয়াগা শান্নখিবা টেষ্ট সেরিজ অদুদা য়াম্না ফজবা পার্ফোমেন্স উৎপা ঙমখিবনি।

মশাগী চহী ২১ দা ঙাইরিবা পন্ট ইংলেন্দ অমদি ওষ্ট্রেলিয়াদা ৱিকেটকিপর অমনা সেঞ্চুরি লৌবা ঙম্বা অহানবা ওইখি।

মমাঙ চহীগী দিসেম্বর থাদা ওষ্ট্রেলিয়াগা এদিলেদতা শান্নখিবা টেষ্ট মেটচতা রিসব পন্টনা ৱিকেট ১১ লৌবা ঙমদুনা মমাঙদা টেষ্ট মেটচ অমদা খ্বাইদগী য়াম্না কেটচ ওকপগী লৈরম্বা রেকোর্দ অদুগা মান্নহনবা ঙমখি।

পন্টনা ফজবা পার্ফোমেন্স উৎপা ঙমখিবা অসিনা মরম ওইরগা আই সি সিগী ইমরজিং ক্রিকেট্টর ওফ ২০১৮ গী মনা ফংবা ঙমখিবনি।

## সেরি এ দা জুবেন্টসনা চিয়েভোবু পাঞ্জল ৩–০ দা মায়থিবা পীখ্রে

*রোম, জনুৱারি ২২ঃ*

ইটালিগী মকোক থোংবা ফুটবোল টুর্নামেন্ট সেরি এ দা চেম্পিয়ন ক্লব ওইরিবা জুবেন্টসনা চিয়েভোবু পাঞ্জল ৩–০ দা মায়থিবা পীখ্রে।

মেটচ হৌরকপা শান্নবগী ১৩শুবা মিনটতা জুবেন্টসকী শান্নরোইশিংনা চথরকখিবা এটেক অমদা দোগ্লাস কোষ্টানা পাঞ্জল অমা চন্দুনা মাঙজিল থাবা ঙমখি।

মতম খরা টিম অনীগী মায়কৈদগী অহেনবা পাঞ্জল লৈনখিদ্রবা মতুং ৪৫শুবা মিনটতা জুবেন্টসকী অতোপ্পা শান্নরোই ইমরে কেননা পাঞ্জল অমগা চনশিন্দুনা ২–০ দা হেল্লগা অহানবা হাল্ফ লোইশিনখি।

অনীশুবা হাল্ফ শান্নরকপদা টিম অনীমক লম্বা মান্নখিবদগী মতম কুইনা অহেনবা পাঞ্জল হাপচিনবা ঙম্নদনা লাকখি।

মেটচ লোইগদবা মিনট ৬ ৱাংলিঙৈদা জুবেন্টসকী শান্নরোইশিংনা চথরকখিবা মখা তাবা এটেক অমদা দানিয়েলি রুগানিনা পাঞ্জল অমগা চনশিন্দুনা মেটচ অদু জুবেন্টসনা চিয়েভোবু পাঞ্জল ৩–০ দা মায়থিবা পীরমখি।

স্পেনগী লা লীগা ফুটবোলগী ঙসি শান্নখিবা মেটচ অমদা ঐবারনা ইস্পানিওলবু পাঞ্জল ৩–০ দা মায়থিবা পীখি। শান্নবগী ২৪শুবা মিনটতা ইস্পানিওলগী সর্জি ইনরিচনা পাঞ্জল অমা চন্দুনা ১–০ দা হেল্লগা অহানবা হাল্ফ লোইশিনখি। অনীশুবা হাল্ফতা পাব্লো অমদি চার্লিসনা মথং শিংনা ৫২শুবা অমদি ৮৪শুবা মিনটতা পাঞ্জল অনী চন্দুনা মেটচ অদু ৩–০ দা মায় পাকখি।

**IN THE COURT OF SUB-DEPUTY COLLECTOR**
Bashikhong, Imphal East
Ref. : Mutation Case No. 50/SDC/B/IE of 2019

Thokchom (N) R.K. (O) Seityapati Devi
W/o R.K. Dolendro Singh of Bashikhong
Petitioner
-Vs-
Thokchom Karu Singh S/o (L) Anganghal Singh of
Bashikhong Makha Maimom Leikai
Pattadar

**NOTICE**

Bashikhong, the 22nd January 2019

Under Sect. 46(3) MLR & LR Act. 1960 গী মতুংইন্না ইঃ ইঃ তাহশিল খুল নং ৫৫–লৌমানবী পাট্টা নং ৮৬ অনৌবা দাগ নং ১৭৭ মোট এরিয়া ০.৬৫ একর চাওবা লৌফম অসিগী পট্টাদার থোকচোম কারু সিংহ পীং মৃঃ অঙাংহল সিংহ সাং বাশিখোং মখা মাইমোম লৈকাইদা লৈবা অসি মৃঃ ওইখ্রে। মরম অসিনা মৃঃ পট্টাদারগী মমিংদা লৈবা লৌফম শরুক অসি মথক্তা পনলীবা দরখাষ্টকারী অসিনা সত্তা ওইনা ফংজরে, অমসুং নামা ওন্থোকপীরো হায়না উক্তা কোর্ট অসিদা দরখাষ্ট থারক্লে।

মরম অসিনা লম অসিগা মরী লৈনবা মীওইশিংনা য়েৎপীনীংবা লৈরবদি খবর অসিদা ফোঙখিবা মতুং নুমিৎ ৭ (তরেৎ) নি ফাওবগী মনুংদা উক্তা কোর্ট অসিদা লাক্তুনা অপটি (Objection) চে পীশিল্লবা য়াগনি, মতুংদা লাকপা অপটি (Objection) অমত্তা লৌজরোই, কোর্টকী হৌনবী মতুংইন্না কেস মখা চৎথরগনি।

Sd/-
Sub-Deputy Collector,
Bashikhong, Imphal East

SL/Bill(B)/23

**IN THE COURT OF SUB-DEPUTY COLLECTOR**
Bashikhong, Imphal East
Ref. : Mutation Case No. 49/SDC/B/IE of 2019

Sorokhaibam Pariton Meitei S/o S. Devananda Singh of
Langthabal Mantrikhong Makha Leikai
Petitioner
-Vs-
Nameirakpam Kesho Singh S/o (L) Jatra Singh of
Kyamgei Awang Leikai
Pattadar

**NOTICE**

Bashikhong, the 22nd January 2019

Under Sect. 46(3) MLR & LR Act. 1960 গী মতুংইন্না ইঃ ইঃ তাহশিল খুল নং ৬৮–কিয়ামগৈ পাট্টা নং ৪৫৯ অনৌবা দাগ নং ৪৯০ মোট এরিয়া ০.৬৫ একর চাওবা লৌফম অসিগী পট্টাদার নামৈরাকপম কেশো সিংহ পীং মৃঃ জাত্রা সিংহ সাং ক্যামগৈ অৱাং লৈকাইদা লৈবা অসি মৃঃ ওইখ্রে। মরম অসিনা মৃঃ পট্টাদারগী মমিংদা লৈবা লৌফম শরুক অসি মথক্তা পনলীবা দরখাষ্টকারী অসিনা সত্তা ওইনা ফংজরে, অমসুং নামা ওন্থোকপীরো হায়না উক্তা কোর্ট অসিদা দরখাষ্ট থারক্লে।

মরম অসিনা লম অসিগা মরী লৈনবা মীওইশিংনা য়েৎপীনীংবা লৈরবদি খবর অসিদা ফোঙখিবা মতুং নুমিৎ ৭ (তরেৎ) নি ফাওবগী মনুংদা উক্তা কোর্ট অসিদা লাক্তুনা অপটি (Objection) চে পীশিল্লবা য়াগনি, মতুংদা লাকপা অপটি (Objection) অমত্তা লৌজরোই, কোর্টকী হৌনবী মতুংইন্না কেস মখা চৎথরগনি।

Sd/-
Sub-Deputy Collector,
Bashikhong, Imphal East

SL/Bill(A)/23

**A SUNSHINE PHYSIOTHERAPY CLINIC**

SINGJAMEI MAYENGBAM LEIKAI
NEAR US ACADEMY, IMPHAL WEST

Treatments
- Fracture
- Frozen Shoulder
- Neck & Back Pain
- Knee Pain
- Arthritis (Hip, Knee joints, Gout)
- Stroke
- Bell's Palsy
- Other neurological Conditions

Instruments
- Tens
- Ultrasound
- IFT
- Traction
- Paraffix wax bath
- Muscle stimulator
- Laser Therapy
- Tread Mill
- Hot Pack
- Pully
- Shoulder wheel
- Ladder
- Swiss Ball
- Ankle Exerciser
- Static Cycle

Sunday - on appointment only

Home visit available

Visiting Hours
8 AM. to 12 Noon. & 2 PM. to 5PM.

Please Contact:
Dr. Sougrakpam Roshini (MPT)
Phone No. 9089679415 / 9899141163
Email- asunshine489@gmail.com

SL/BILL/Alt/30 Days upto 3rd Feb. 2019

**PALACE DENTAL CARE**

Wangkhei Angom Leikai, Opposite to Thangal Temple
Imphal East

Newly Open

* Free consultation & 50% discount on all treatments upto 20th Jan. 2019

Newly Open

Treatments available:-
1. Scaling & Root Planning.
2. Filling, RCT, Pulpectomy, etc.
3. Crown & Bridge.
4. Extrations.
5. RPD, FPD & Complete Dentures
6. Braces & Orthodontic treatments. etc.

Sunday
8 AM. to 12 Noon.

Visiting Hours
8:30 AM. to 4:30 PM.

X-ray available

For more details
Please Contact:
Dr. Laishram Sulochana Devi (BDS)
Phone No. 8787891896 / 9774011715

SL/P/Alt/30 Days from 6-1-19

### ক্রোসৱার্দ ৫০ গী পাউখুম

| | | | | | | | | | | | | | | |
|---|---|---|---|---|---|---|---|---|---|---|---|---|---|---|
| T | E | R | P | | P | A | I | L | S | | I | R | M | A |
| A | L | E | E | | O | R | B | I | T | | T | E | A | S |
| L | A | P | T | O | P | C | A | S | E | | A | C | T | S |
| C | L | O | R | I | S | | | A | N | A | L | Y | Z | E |
| | | | I | L | I | C | H | | T | R | I | C | O | T |
| B | E | E | F | | C | O | O | P | | S | A | L | | |
| E | N | V | Y | | L | U | L | U | | O | N | E | N | O |
| A | Y | E | | F | E | L | D | M | A | N | | B | E | L |
| D | A | N | T | E | | D | E | M | S | | A | I | R | E |
| | | I | A | M | | A | R | E | S | | U | N | D | O |
| F | A | N | O | U | T | | S | L | A | N | G | | | |
| L | E | G | I | R | O | N | | | Y | O | U | A | R | E |
| U | R | B | S | | B | A | T | T | E | R | S | B | O | X |
| F | E | A | T | | E | T | H | E | R | | T | E | M | P |
| F | O | G | S | | D | E | E | D | S | | A | L | P | O |